**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24-12-2024)**

**বসন্তকুমার (এল)ঃ** রাজ্যগী লো এন্দ লেজিসলেটিব এফিয়ার্স মন্ত্রি-টি.ঐচ. বসন্তকুমারনা হায়রি-রাজ্য সরকারনা সংবিধাননা পীরিবা চৎন কাঙলোনশিং থুগায়বা লৈতে। সংবিধানগী আর্টিকল ১৭৪ গী মতুং ইন্না চহি অমদা বিধান সভা মীফম অনিরক কায়দনা অদুম্মক পাঙথোক্লি।

ইম্ফালগী নিত্যপাৎ চুথেক্তা লৈবা দাইরেক্তোরেট ওফ ইনর্ফোমেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি.আই.পি.আর) গী ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা শ্রী বসন্তকুমারনা হায়-বি.জে.পিনা লুচিংবা সরকার অসিনা চহি অমদা বিধান সভা মীফম অহুমলক ফমগদবা অদু ফমদ্রে। সংবিধানগী চৎন-কাঙলোন অমদি হাউসকী রুল ওফ প্রোসিজর এন্দ কন্দক্ট ওফ ভিজিনেস খোঙ্গাউনরে হায়না কংগ্রেসনা মরাল শিরিবা অসি অরানবা য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি। সংবিধানগী আর্টিকল ১৭৪ গী মতুং ইন্না চহি অমদা বিধান সভা মীফম অসি অনিরক্তগী তাদনা ফমগদবনি হায়রি। মসি রাজ্য সরকারনসু ঙাকা চৎলি।

মহাকা হায়-রাজ্য সরকারনা সংবিধানগী চৎন-কাঙলোন থুগায়বা লৈতে। মতম পুমমক্তা সংবিধানগী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাকা চৎনবা হোৎনদুনা লাক্লি। বি.জে.পি. সরকার লাকখিবা ইং ২০১৭ তগী হৌদুনা ইং ২০২০ ফাওবদা মনিপুর বিধান সভাগী মীফম অসি চহি অমদা অহুমলক পাঙথোক্তুনা লাক্লি। করিগুম্বা তঙাইফদবা লৈরবদি নিংথম মীফমসু ফমবা হোৎনগনি।

শ্রী বসন্তকুমারনা হায়-মনিপুর বিধান সভাগী রুল ১৭ (এ) রুল ওফ প্রোসিজর অমসুং কন্দক্ট ওফ বিজিনেসকী মতুং ইন্না হৌখিবা কংগ্রেস সরকারসু নিয়ম অসিবু ঙাকপা ঙমখিদবা কয়া লৈখি। কংগ্রেস সরকারগী মতমদা ইং ২০০৩, ২০০৭, ২০০৮, ২০০৯ অমসুং ২০১৬ তা বিধান সভা মীফম অসি

চহি অমদা অনিরক্তগী হেন্না ফমখিদবনি। অমরোমদা, বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরগী মতাংদা শিক্ষা মন্ত্রিসু ওইরিবা শ্রী বসন্তকুমারনা হায়-বোর্ড অসিনা লৌবা ক্লাস টেন পরিক্ষা মতম চানা পাঙথোকবা থৌরাং তৌরি। বোসেমগী চেয়ারমেন অসি নিয়মগী মতুং ইন্না মতিক চাবা মীওই অদু হাপখিবনি। মন্ত্রি-মন্দলনা লৌখিবা ৱারেপ মতুং ইন্না বোসেমগী চেয়ারমেন ওইবগী চহিসু ৬০ দগী ৬৫ দা শাংদোকখিবা লৈরে। নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ গী মতুং ইন্না বোসেম অসি মর্জ তৌখিবা য়াই। বোসেমগী কর্ম্মচারিশিংনসু সরকারনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংবিয়ু হায়না আপিল তৌখি।

দি.এম. য়ুনিভরসিতিগী মতাংদা মন্ত্রিনা হায়-য়ুনিভরসিতি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর হাপবা মীওই অহুমনা শাবা সর্স কমিতি শেমলে। অথুবা মতমদা মতিক চাবা ভি.সি. অমা হাপ্লগনি হায়না শিক্ষা মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

**গভরনান্স (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেয়সননা শিনদুনা গুদ গভরনান্সকী মতাংদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি.সি. কমপ্লেক্সতা লৈবা কোন্ফিরৈ হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-টি.ঐচ. কিরনকুমার য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কাংপোকপীনা শিনদুনা ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কনফরেন্স হোলদসু গুদ গভরনান্স চয়োল পালন পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-মহেশ চৌধরি য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

**খৃষ্টমাস (এল)ঃ** খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ ‘খৃষ্টমাস’ মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোকবা শেম শাবা লোয়রে। মনিপুরদসু খৃষ্টান

লাইনিং চৎপশিংনা খুন্দবা মফমশিংদা চর্চশিং নীংথিনা লৈতেংদুনা খৃষ্টমাসকী কেরোল শক্কুনা প্রভু যিশু খৃষ্টাননা পোকখিবা পুংফম য়ৌরকপা ঙায়নরি। খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংনা খুন্দাবা চিংগী জিলাশিংদসু নীংথম থাগী অইংবা খাঙদুনা খৃষ্টমাসকীদমক শেম শাবা হৌনরে।

খৃষ্টমাস কুম্মৈনা লাকপদা রাজ্যপাল-লক্সমন প্রসাদ অচারিয়া, মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপাল-লক্সমন প্রসাদ অচারিয়াগী পাউজেল হায়-কুম্মৈ অসিনা লাকপদা রাজ্য অসিদা লৈরিবা মীয়াম অখন্ননা খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীজরি। খৃষ্টমাস কুম্মৈনা লাকপদা ঙাকপীবা, নুংশিবা অমসুং শান্তিগী ৱাখল্লোন হেন্না ফাওহনবা ওইরসনু।

মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগী পাউজেলদা হায়-খৃষ্টমাস কুম্মৈনা লাকপদা নুংশিবা, শান্তি অমসুং অপুনবগী ৱাখল্লোন নৌহৌননা নীংশিংহল্লি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা যিশু খৃষ্টনা তাকপীরম্বা ফজরবা ৱাখল্লোনশিং, মশাগী ওইজবা থাদোক্কুনা মীওইবা খুন্নাইগীদমক কৎথোকপা অমসুং নুংশি চান্নবগী ৱাখল্লোন হেন্না চেৎশিনবা ওইরসনু।

মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষা টি.ঐচ সত্যব্রতগী পাউজেলদা হায়-খৃষ্টমাস কুম্মৈ অসিনা লাকপদা ঐখোয় খুদিংমকা হৌখিবা থৌদোক কয়াবু কাউথোক দুনা, ঐখোয় মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবা পুরক্কুনা চাউখৎ মাইকৈদা চংশিল্লসি।

শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমারগী পাউজেলদা হায়-খৃষ্টমাস কুম্মৈ অসি হরাও নুংঙাইনা পাঙথোকপগা লোয়ননা মরুপ-মপাং ওইবা অমসুং নুংশিনবগী ৱাখল্লোন হেন্না চেৎশিলহন্দুনা হেন্না নুংঙাই য়াইফবা শান্তি লৈবা লমদম অমা পুরকপা ওইরসনু।

হকশেল মন্ত্রি-ডা: সাপম রঞ্জনগী পাউজেলদা হায়-খৃষ্টাম কুম্মৈনা লাকপদা লৈবাক অসিদা ইং তপ্পা অমদি মীপুম খুদিংমক তিংজং কায়জংদনা

নুংঙাই য়াইফনবা লৈবা ওইরসনু।

সোসিএল ৱেলফিয়ার মন্ত্রি-হৈখাম দিংগোগী পাউজেলদা হায়-খৃষ্টমাস কুম্মৈনা লাকপদা ঙাকপীবা অমসুং মীনুংশিগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা অমত্তা ওইনা পুন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন পুরকপা ওইরসনু।

মহুদ মন্ত্রি ৱাই.খেমচান্দগী পাউজেলদা হায়-কুম্মৈ অসিনা লাকপদা প্রভু যিসু খৃষ্টগী পাউতাক ইন্দুনা খুন্দামিন্নরক্লিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা মচিন মনাও ওইবগী মরি অদু হেন্না চেৎশিনহনবা ওইরসনু।

ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি-অৱাংবৌ ন্যুমাইগী পাউজেলদা হায়-খৃষ্টমাস কুম্মৈনা লাকপদা ঐখোয় পুমমক্কী ইশাদা য়াওজরিবা থৌনাশিং পুথোক্তুনা অপুনবগী শক্তম অমা শাগৎনবা হোৎনমীন্নরসি।

মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট-কৈশাম মেঘাচন্দ্রগী পাউজেলদা হায়-কুম্মৈ অসিনা লাকপদা ঐখোয় খুদিংমক শান্তিগী পাউজেল পুবা মীওই অমমম ওইদুনা প্রভু যিশু খৃষ্টগী ফজরবা ৱাখল্লোনশিং ইনদুনা চৎনবা হোৎনরসি।

চান্দেলগী এম.এল.এ. এস.এস. ওলিসনসু খৃষ্টমাস কুম্মৈগা মরী লৈননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

ওল মনিপুর ইথিনিকেল সোসিএল কলচরেল ওর্গনাইজেসন (এমেস্কো), কোরেন য়ুথ ওর্গনাইজেসন, থাংমৈবন্দনসু খৃষ্টমাস কুম্মৈনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ রিভোলুস্নারি পিপলস ফ্রন্ট (আর.পি.এফ) নস্ খৃষ্টমাসকী পাউজেল পীরদুনা হায়-কুম্মৈ অসিনা লাকপদা মনিপুরদা লৈরিবা ইচিল ইনাও পুমমক্কী মফমদা ইং-তপ্পা, তংদু লৈতানা, নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবা ওইরসনু।

**পেলিয়াটিব (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মীসন সোসাইতি-ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিনদুনা

ঙসি খুম্বোং কম্যুনিতি হেলথ সেন্টরদা মালেমগী হোসপিস এন্দ পেলিয়াটিব কেয়ার নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর পেলিয়াটিব কেয়ারগী ষ্টেট নোদেল ওফিসার-ডা: তিলাকেশ্বরিনা হায়-কেয়ার গিভরনা থৱায় হকচাং য়াওনা অনাবা অমদি অশোনবশিংগী সেবা তৌরি। চহি অসিদা পেলিয়াটিব পেসেন্ট লিশিং ২,৫০০ রেজিস্তার তৌরে। মহাকা হায়-অনাবশিংগী অরোইবা মতম ফাওবদা ইরু-মায়থজবীদুনা থন্বীবগী মথক্তা চানিংবশিং পীজদুনা মখোয়গী অনিংবা থুংহন্নবা হোৎনরি।

**কংগ্রেস(এল)ঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হন্দক্তা সংসদকী মীফমদা ডা: বি.আর. অম্বেদকরগী মতাংদা ফজদবা ৱাফমশিং ফোংদোকখি হায়না মরাল শিরদুনা, মদুবু য়ানিংদবা ফোংদোকপগী খোঙচৎ অমা ঙসি থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস কমিতিগী কর্মিশিংনা চৎখ্রে। খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা রাস্ত্রপতিদা থাবা মেমোরেন্দম অমসু থৌবালগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ওফিসতা পীশিনখি।

অমরোমদা, ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস কমিতিনসু ঙসি থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ৱাকৎ খোঙজং চথখ্রে। মখোয়না ককচিংগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী খুথাংদা রাস্ত্রপতিদা মেমোরেন্দম অমসু থাখি।

**ৱাকৎ(এল)ঃ** জিরিবামদা অঙাং য়াওনা মীওই তরুক তমথিনা হাৎখিবা অদুগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবীয়ু হায়না উরিপোক অপুনবা লুপ অমদি উরিপোক নুপী অপুনবা লুপনা চথুরকপা খুথাং চরা হেনবগী খোঙজং ঙসিগা থানা নুমিৎ ৩৯ নি শুখ্রে। খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবীশিংনা নুপী অঙাং তমথিনা হাৎপগা থৌওং য়ানিংদে, ঐখোয় অচুম্বা ৱায়েল পাম্মী হায়বনচিংবা প্লে কার্ডশিং পায়খি।

**ডে (এল)ঃ** নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর কন্ট্রোল ওফ ব্লাইনেস এন্দ ভিজ্যেল ইম্পিয়ারমেন্ট-থৌবালনা শিনদুনা ৱার্ল্ড সাইট ডেগী থৌরম ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

'অঙাংশিং নখোয়গী মিৎপু নুংশিয়ু' হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুবাস অমসুং থৌবালগী চীফ মেদিকেল ওফিসার-ৱাই. নোকুলনচিংবা শরুক য়াখি।

**ফয়ার (এল)ঃ** মনিপুর ফয়ার সার্ভিস দিপার্টমেন্টনা শিনদুনা ঙরাং অমসুং ঙসি থৌবালগী ফয়ার সব-ষ্টেসনদা বেসিক লাইফ এন্দ ফয়ার সেফতি ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

হোস্পিতাল, স্কুল অমদি এন.সি.সিগী কেদেদশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদুদা মৈহৌ লাংপোক থোরকপা মতমদা করমা থেংনগনি হায়বগী মতাংদা নীংথিনা তাকপী তন্বীখি।

**লিগেল (এল)ঃ** লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতি-থৌবাল অমদি লিগেল এদ ক্লিনিক কিয়াম লৈতানপোক অনিনা পুন্না শিনদুনা আয়ুসমান ভে বন্দানা কার্ড শাবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চহি ৭০ গী মথক্তা লৈবা অহল ৬৫ গী কার্ডশিং শাখি।

**প্লান (এল)ঃ** মাইক্রো স্মোল এন্দ মেদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেস টেকোলোজি সেন্টর ইম্ফাল অমদি আই.ক্যু.এ.সি. লিবরেল কলেজ-লুৱাংশংবমনা পুন্না খুৎশমদুনা ঙসি হিদাক ওইনা শিজিন্নবা য়াবা অমদি মনম নুংশিবা পান্বীশিংগী মতাংদা ওন্টরপ্রেন্যুয়রশিংবু নীংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লম অসিদা খঙ হৈরবা মীওই কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবামগী কালিনাগর লাইরেম্বী লৈকাইদা লৈবা মনিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মীসনগী ওফিসতা ঙসি জেন্দর বেজ ভাইওলেন্স নৈয়ি চেতনা থ্রি পোইন্ট জিরোগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা রঙ্গোলি য়েকপা, মীয়ামবু ৱাখল তাহন্নবা রেল্লি চৎপা অমসুং ৱাশক লৌবগী থৌরমশিংসু পাঙথোকখি।

**বজেটঃ** ন্যু দিল্লিগী নিতি আয়োগতা ঙসি পাঙথোকপা বজেটকী মাংওইননা খন্ন-নৈনবগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং মশক নাইরবা ইকোনোমিষ্ট কয়া শরুক য়াখি।

শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামন, নিতি আয়োগকী সি.ই.ও.-বি.ভি.আর. শুব্রামনিয়ম অমসুং অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়াসু মীফম অদুদা শরুক য়াখি। কেন্দগী বজেট ২০০৫-২৬ কী, বজেটকী মাংওইননা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অসি থা অসিগী তরুক্তগী হৌরকখিবনি। হৌজিক ফাওবদা শেল থুম মন্ত্রিনা রাজ্যশিংগী শেল থুম মন্ত্রিশিং, ফামর এসোসিয়েসনশিং, ইকোনোমিষ্টশিং অমদি মাইক্রো স্মোল এন্দ মেদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেসকী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা খন্ন-নৈনখ্রে।

কেন্দ্রগী বজেট ২০২৫-২৬ অসি মথং চহিগী ফেব্রুৱারী অমদা লোক সভাদা শেল থুম মন্ত্রিনা পুথোক্কনি।

**পিএমঃ** লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রধান মন্ত্রি-অতল বিহারি ভাজপায়গী ১০০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি হয়েং মধ্য প্রদেসতা চৎকনি।

মহাকা খাজরাহোদা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংগী উরেপ উয়ুং তমগনি অমসুং খরগীনা শঙ্গাগনি। অতল বিহারি ভাজপায়গী ১০০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা পুথোকপা স্তাম্প অমসুং শেলয়েকসু প্রধান

মন্ত্রিনা ফোংগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অসিগী অহানবা ওইনা তুরেলশিং **শমহনবগী** প্রোজেক্ট কেন-বেটৱা রিভর লিঙ্কিং নেসনেল প্রোজেক্টকী উরেপ উয়ুংসু তমগনি।

**অমিতঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা উত্তরাখন্দদা অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম চৎনরিবা অদুগী মতাংদা হন্না য়েংশিনখ্রে।

মীফম অদুদা উত্তরাখন্দগী মুখ্য মন্ত্রি-পুস্কার সিংহ ধামি, হোম সেক্রেটরি-গোবিন মোহান, চীফ সেক্রেটরি-রাধা রাতুরি অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

মীফম অদুগী তুংদা, পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা মুখ্য মন্ত্রি-ধামিনা হায়-লৈবাক অসিদা জ্লাই থাদগী চৎনবা হৌরকখিবা অনৌবা ক্রিমিনেল লোশিং অসি উত্তরাখন্দদসু মপুং ফানা চৎনরি। অনৌবা লোশিং অসিনা লৈবাক অসিগী অনৌবা মায়ওন অমদা পুরক্লগনি হায়বগী থাজবসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

**--হৌজিক শান্নবগী পাউ, ক্ষেত্রিমযুম বিরোজদগী--**

**ফুটবোল (এল)ঃ** লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা চত্থরিবা মরিশুবা মাস্তর ডাক্তর মোইরাংথেম মনাওতোন সিংহ এন্দ এম. চন্দ্রসখি দেবী মেমোরিএল ফুটবোল চেম্পিয়ন ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ভি.এস.এ.আইনা সন্দে এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ফ্লাম অমসুং ই.এম.ভি.এফ.সি. পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

**চেস (এল)ঃ** ইন্দ্র চেস একাডমী-কোংপালনা শিনদুনা নোংমগী ওইবা অহানবা ইন্দ্রকুমার মেমোরিএল ৱান ডে অন্দর ফিফতি ওপন রেপিদ চেস টুর্নামেন্ট ২০২৪, লাক্লিবা তাং ২৮ থাংজ নুমিৎতা, কোংপাল চনম লৈকাইদা লৈবা একাডমী অসিদা পাঙথোক্লগনি।

**ক্রিকেট(এল)ঃ** মনিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা তোঙান তোঙানবা গ্রাউন্দশিংদা চথুরিবা ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এন.সি.এ. নিংথৌখোংনা এস.এস.য়ু-শিংজমৈবু ৱিকেট ৭ তা অমদি সেদো-থাংমৈবন্দনা আর.আর.সি.সি. চুরাচান্দপুরপু ৱিকেট অনিদা থোইখ্রে।

হৌজিক ফাওবা লিগ রাউন্দ লোয়বদা নপসা খা-ইম্ফাল, কে.সি.দি.ও-কোংপাল, এন.সি.এ. নিংথৌখোং, কে.এস.দি.ও. কিয়ামগৈনা গ্রুপকী মকোক মথং থাদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল চংলে।

অমরোমদা, মরিশুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-পি.সি.সি. ময়াইকোইবীনা ৱাই.য়ু.সি.সি. ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলবু ৱিকেট তরুক্তা অমদি ডব্লিয়ু.ৱাই.সি. থৌবাল ৱাংখেমনা ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. লংথাবালবু ৱিকেট অনিদা মায়থিবা পীখি।

**ক্রিকেট(এল)ঃ** মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনবা ২১ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা রেজ নাগামপালনা নপসা খা-ইম্ফালবু রন-৫৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**বেদমিন্টন(এল)ঃ** বেঙ্গলুরুদা ঙসি লোয়শিনখিবা ৮৬ শুবা য়োনেক্স সনরাইজ সেনিয়ার নেসনেল বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ দা এম. রাঘুনা মেন্স

সিঙ্গলস টাইতল লৌরে।

মনিপুরগী প্রিয়া কোঙ্গেংবম অমসুং মহাক্কী জ়রা সুরতি মিশ্রা ফাইনেলদা আরতি অমসুং ভরসিনিগী মখুৎতা পোহৌরে।